## কম্পনি মচাশিংনা ইরানগা বিজিনেস তৌনরি

রোম, জুলাই ০৬ :
হৌখিবা চহীদা য়ু এসনা অথিংবা হেক থমখিবগা ইটালিগী অচৌবা কম্পনিশিংনা খুদক্তা ইরানগা বিজিনেস তৌনবা লেপখ্রবসু অপিকপদগীনা ময়াই ওইরপ চাওবা ফর্মশিংনা হৌজিকসু ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগা বিজিনেস তৌনবা পাম্মী হায়না রোমদা লৈবা ইরানগী এম্বেসেদর হমিদ বয়াটনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ট্রিপোলিগী লান্দা মী ১০০০ শিখ্রে

ট্রিপোলি, জুলাই ০৬ :
চয়োল অসিদা ট্রিপোলিগী নোংপোকথংবা তাজৌলা সেন্টরদা চথখিবা এয়র রেইদ অমদা পুন্না মাইগ্রেন্ট ৫৩ শিখিবগা লোয়ননা অতে ১৩০ অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা থা অহুম চুপ্পা শোক্লরকখিবা কেপিটেল অসিবু পায়শিন্নবা হোৎনবগী লান অদুদা শিখিবা অপুনবা মী মশিং ১০০০ রোম শুরে অমসুং মীওই ৫০০০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু এন কাউন্সিলনা লিবিয়াদা ট্রুস পুরক্লবা, অতৈ লৈবাকশিংনা খুৎ থিংজিন্দনবা আপিল তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
লিবিয়াগী মাইগ্রেন্ট দিটেন্সন সেন্টরদা চথখিবা শাথিরবা এয়র ষ্ট্রাইক ইরাই নুমিত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং খুৎ থোক্লরিবা পার্টিশিংনা সীজ ফয়ার অমা চৎনহন্নবা লোয়ননা অতৈ লৈবাকশিংনা খুৎ থিংজিন্দুনা কনফ্লিক্ট অদুগী ফিভম হেন্না লুশিলহনবগী থৌওং চথদনবা আপিল তৌখ্রে।
অঙাং ৬ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শিখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা চথখিবা এটেক অদুগী মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মেম্বর ১৫ লৈবা কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ানিংদবদগী মেম্বর খুদিংমক্কী মরক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা কাউন্সিলনা থুনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকপা ঙমখিদ্রে হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখি।
মখোয়না ফোঙদোকখিবদা, ইরাই নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খন্নখিবা লোন্দাদগী থোইদোক্লা অহোংবা লৈখিদে। সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা কনফ্লিক্ট অদুদা শরুক য়ারিবা পার্টি খুদিংমক্তা হৌজিক লৈরিবা লানগী খোঙফমশিং হন্দোক্লদুনা সীজ ফায়র অমা পুরক্লবা আপিল তৌরি।
পোলিটিকেল সোল্যুসন খক্তগী খুৎথাংদা লিবিয়াদা তুং কোইনা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম পুরকপা ঙমগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি। লিবিয়াগী মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন খালিফা হাফটরগী মখাদা ইষ্টর্ন ফোর্সশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক অমসুং সেল কাপশিন্দুনা থা অহুমগী মমাংদা লিবিয়াগী মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টকী বেজ ওইরিবা কেপিটেল ট্রিপোলি লৌশিন্নবা অচৌবা গ্রাউন্দ অমসুং এরিএল এটেক অমা চথবা হৌখিবদগী মাইগ্রেন্ট সেন্টরগী এয়র এটেক অদুনা লান অদুদা মীশি-মীনা খ্বাইদগী য়াম্না থোকহনখিবা অমসুং খ্বাইদগী কন্না রিপোর্ট তৌনখিবা থৌদোক ওইখি।
হাফটরনা ট্রিপোলিদা লান্দাবা হৌখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা কাউন্সিলগী কোলিগশিংদা লিবিয়াদা সীজ ফায়র অমা পুরকপগী ৱাফম য়াওবা রিজোল্যুসন্দা মখোয়না শৌগৎলোই হায়খিবনি। কুমজা ২০১১ দা নাটোনা শৌগত্তুনা লিবিয়াগী লুচিংবা মুৱাম্মর গদ্দাফিবু মফমদগী চিংথুখিবদগী থাউ অমসুং গ্যাস মরাং কায়না ফংবা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।

# অফঘান লান্দা টলিবানগী মরুওইবা কম্মান্দর, অতৈ ১৮ হাৎখ্রে



কাবুল, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী হেরাট প্রোভিন্সতা থাংজ নুমিত্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সেস অমসুং লালহৌবশিংগী মরক্তা শোক্লখিবা অকনবা লান্দা টলিবানগী মরু ওইবা কম্মান্দর মুলাহ ঘৌসুদিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ১০ অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
কম্মান্দর মুলাহ ঘৌসুদিংগী মখাদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা হেরাট প্রোভিন্সকী কারাখ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা মালুমা এরিয়াদা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্টশিংদা এটেক তৌবদগী নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লরকখিবনি। খুৎ থোক্লবদু পুং কয়ামরুম চুপ্পা চথখি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিস চীফ অমিনুল্লাহ ওমরখিলগী ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।
লান অদুদা মীয়াম্না কি-হঙ্গোইনরবা টালিবান কম্মান্দর ঘৌসুদিং য়াওনা মিলিটেন্ট ১০ শিখি অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯ শিখিবগা লোয়ননা অহেনবা মিলিটেন্ট ১৫ অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬ না অশোক-অপন নংখি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং প্রোভিন্স অদুগী মফম কয়াদা মখা তানা মিলিটেন্টশিংদা টার্গেট তৌখিবনি হায়না হেরাটকী পুলিস চীফ অসিনা মখা তাখি।

# সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াদা য়ুহা কন্না হাখ্রে, বিল্ডিং অমদি লম্বীশিং চেকখায়খ্রে, অশোক-অপন কয়া থোকখ্রে



লোস এঞ্জেলিস, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
কালিফোনিয়াগী মফম কয়া মেগ্নিট্যুদ ৭.১ য়ৌনা কন্না য়ুহা হাদুনা নীকখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং কয়ামরুম চেকখায়খ্রে, মফম কয়াদা মৈ চাকখ্রে, লম্বীশিং অমাঙ-অতা থোকখে অমদি অশোক-অপন কয়া থোকখ্রে । চৈরকসিদা সাইজমোলোজিষ্টশিংনা অচৌবা অফটরসোক্স মখা তানা থোক্লককখিগনি হায়না চেকশিন ৱা ফেঙদোকখ্রে।
মোজাভে লৈকংলাদা শগোলশেল নুমিত্তা মেগ্নিট্যুদ ৬.৪ য়ৌখিবা য়ুহা হাবা অমা থোকখিবা মতুংদা থোরক্লিবা ইরাই নুমিৎকী য়ুহা হাবা অসি হৌখিবা চহী ২০ রোম অসিদা সাউদর্ন কালিফোনিয়াদা থোকপা খ্বাইদগী চাওবা য়ুহা হাবনি হায়না লৌনরি। মেগ্নিট্যুদ ৫ গী মথক ওইবা খরা য়াওনা অফটরসোক মচা মচাশিংসু পরিং নাইনা থোক্লকখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।
য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অদু লোস এঞ্জেলিস সিটিগী অৱাং নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ২০২ রোম লাপ্পা লৈবা দেথ ভেল্লি নেসনল পার্ককী খা রোমদা লৈবা রিদগেস্রেষ্ট টাউনগী মনাক্তা লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৮.২০ রোম তাবদা থোকখিবনি। মদুগী মতুংদা য়ামদ্রবদা অফটরসোক্স ১৬ থোকখিবগা লোয়ননা য়াম্না থুনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মেগ্নিট্যুদ ৬তগী তারোইদবা চাংদা কনবা অতোপ্পা য়ুহা হাবা অমা থোক্লকপা য়াবগী চান্স চাদা ৫০ রোম লৈ হায়না য়ু এস জি এসনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।
য়ুহা হাবা অদুনা অৱাং লোমদা সক্রামেন্টো, নোংপোক্লোমদনা লাস ভেগাস অমসুং খারোমদনা মেক্সিকো ফাওবা নীকহনখি হায়রি।
য়ুহা হাবা অদুদা লম্বী চেকখায়বা অমদি নমথখিবনা মরম ওইদুনা কর্নন কাউন্টিগী মনুং চনবা ষ্টেট রুট ১৭৮ থিংজিনখি অমসুং মোবাইল হোম পার্ক অমা মৈ হৌরকখিবদা ট্রেলর কয়া মৈ চাকখি। তৌইগুম্বসুং কাউন্টি অসিগী ফায়র চীফ দেভিদ ৱিটনা অশোক-অপন থোকপা খরা য়াওবা নত্তনা বিল্ডিং নীংখায়বা নৎত্রগা মী শিবা য়াওবগী খুদক্কী ওইবা রিপোর্টশিংদি লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।
সেন বের্নার্দিনো কাউন্টিগী ফায়র ফাইটরশিংনা বিল্ডিং কয়া চেকখায়রে অমদি মীওই খরা অশোক-অপন থোক্লে হায়না ফোঙদোকখি। লোস এঞ্জেলিসকী মফম খরগী স্কাইস্ক্রেপর কয়া য়ামদ্রবা সেকেন্দ ৩০ রোম নীংখি হায়রি।

# নীংতম নুমিত্তা মাদুরোনা ৱারী শান্নসি হায়না আপিল তৌখ্রে, গুৱাইদোনা দিক্টেটরসিপ কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



কারাকস, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
ভেনিজ্যুএলাগী অমগ-অমগা কন্না য়েংথিনরিবা পোলিটিকেল ফেক্সনশিংনা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎগী থৌরমশিং ইরাই নুমিত্তা তোঙান-তোঙান্না পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা পোলিটিকেলগী ৱাফমশিং লৈখায় তানবা ৱারী শান্নবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।
অমরোমদা, ওপোজিসন লুচিংবা জুৱান গুইৱাইদোনা মাদুরোগী দিক্টেটরসিপকী থৌওংশিংনা লৈবাক অদুদা উবা ফংহল্লিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।
মাদুরোনা মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসলশিংগী মীতিন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা নোরৱেনা মহাক্কী সোসলিষ্ট গভর্নমেন্ট অমসুং ওপোজিসন্না পায়রিবা নেসনল এসেমব্লিগী লুচিংবা গুৱাইদোগী মরক্তা ৱাতেমদুনা চথরক্লিবা নিগোসিএসনগী প্রোসেস মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি। নেসনল এসেমব্লিগী লুচিংবা ওইরিবা গুৱাইদোনা লৈবাক অদুগী কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা মাদুরোবু অমুক হন্না প্রসিদেন্ট খনখিবদু নমথাক্কী থৌওং অমনি হায়না য়েৎলিবনি।
কারাকাসতা নীংতম নুমিৎকী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবা মদুরোনা ভেনিজ্যুএলাদা ঐখোয় পুম্নমক্কী মফম লৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাক অদুগী সমুদ্রশিং, তুরেলশিং অমসুং বোর্দরশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা জুলাই ২৪ দা মিলিটরি এক্সসাইজশিং পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখি। মখা তারদুনা মহাক্না য়ানবা অমা পুরক্লবগীদমক্তা ঐখোয় খুদিংমক্লা করিগুম্বা খরদি থাদোক্লগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।
মাদুরোবু নমদুনা পৱার পায়নবা হোৎনবা মীশক অমনি হায়রদুনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা গুৱাইদোনা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপ খরগী মখাদা মহাক লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়ম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকখিবদগী ভেনিজ্যুএলাদা অরুবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা থোক্লককখিবনি। য়ু এস অমদি সাউথ অমেরিকাগী য়ুম্লোনবা লৈবাকশিং য়াওনা লৈবাক কয়ানা গুৱাইদোবু লৈবাক অদুগী লুচিংবা ওইনা শকখঙখ্রবনি। অমরোমদা মাদুরোবু কুব্যা, রসিয়া অমসুং চাইনানা শকখঙবগা লোয়ননা ষ্টেট ফঙ্কসনশিং অমসুং আর্মর্দ ফোর্সেস মহাক্লা কন্ট্রোল তৌরিবনি।

# লুচিংবা খনবগী ভোটতা বেলোট অনী ইশ্যু তৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইগদৌরিবা লৈবাক অসিগী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী মথংগী লুচিংবা খনবগী ভোটতা পার্টি অসিগী মেম্বর খরদা বেলোট পেপর অমদগী হেন্না ইশ্যু তৌখিবা লৈরে হায়না থাংজ নুমিত্তা বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।
য়ু কেগী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী মেম্বর ১৬০,০০০ রোমদা বেলোট পেপরশিং থাদুনা লন্দনগী হান্নগী মেয়র বোরিস জোন্সন অমসুং হৌজিক লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরগী ফম পায়রিবা জেরিমি হন্টকী মরক্তা মখোয়গী মথংগী লুচিংবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর খন্নবা খঙহনখিবনি। ভোট অদু জুলাই ২২ দা লোইশিল্লগা মথংগী নুমিত্তা মায় পাক্লবা মীওই অদুগী মমিং লাউথোক্কদবনি।
কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী মেম্বর খরনা ভোট অসিদা বেলোট পেপর অনী ফংলে হায়বসি খঙলে। পুন্না মেম্বর লিশিং অমদগী হেনবনা অসুম্না বেলোট পেপর মশিং অমদগী হেন্না ফংলম্বা য়াবগী থাজবা য়াবা পাউ লৈরে হায়না বি বি সীনা ফোঙদোকখি।
মেম্বর খরনা তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা লৈদুনা থবক তৌবা অমদি মফম অনীমক্কী লোকেল কঞ্জাভেটিভ এসোসিএসনশিংদা য়াওরম্বা য়াবগী ফিভম লৈবদগী মখোয়দা বেলোট পেপর হেন্না থাবগী খোঙথাং অসি লাকখিবা ওইরম্বা য়াই। অদুগা অতৈ মেম্বর খরগী লুহোংলবা মতুংদা মমিং হোংনবা য়াওবদগী ফিভম অসি লাকখিবগী মঙং মাল্লি হায়নসু বি বি সীগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
হীরম অসিগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা কঞ্জাভেটিভ পার্টিগী মীওইশিং কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে। বেলোট পেপর অদুদা অমুক্তগী হেন্না ভোট থাদবা মেম্বরশিং তান্থোক্কনি হায়না ময়েক শেংনা পার্টিনা ইন্সট্রক্সন পীরি হায়নসু পার্টিগী সোর্স পল্লদুনা বি বি সীনা ফোঙদোকখি।

## আই এসনা ক্লেম তৌখ্রে

কাবুল, জুলাই ০৬ :
হৌখিবা অহিংদা অফঘানিষ্টানগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স ঘঝনিদা লৈবা মোস্ক অমদা চথখিবা শাথিরবা এটেক অমা থাংজ নুমিত্তা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। সিয়াইটশিংনা শীজিন্নবা মোহম্মদিয়া মোস্ক অদুগী মনুংদা হার্দলাইন ইস্লামিক মিলিটেন্টশিং অসিনা ফুমজিল্লম্বা বোম অমা পোকখায়রকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা অতৈ পুন্না অশোক-অপন নংখি হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নমেন্টকী স্পোকমেন অরেফ নুরিনা ফোঙদোকখি।

# ট্রুম্প-কিম মীটিংগী পাউদম পীরক্লে: চাইনা

বৈজিং, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
য়ু এস অমসুং চাইনাগী সিনিয়র দিপ্লোমেটশিংগী মরক্তা ফোন্দা ৱারী শান্নবদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগা উনখিবগী ৱারী বৈজিংদা মরীক চুম্না লীরক্লে হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টরনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ট্রুম্পনা কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা দিমিলিটরাইজ জোন (দি এম জেদ)কী পানমুঞ্জোমদা উনখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ফম পায়রিঙৈদা নোর্থ কোরিয়াদা চৎপা য়ু এসকী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইরিবনি। মখোয়নীনা কোরিয়াদা উনখিবা অদুদা মতম খরা লেপ্পল্লকবা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী মখা চত্থবগী ৱাফম য়ানখ্রবনি।
মীটিংদুগী মতাংদা ইরাই নুমিত্তা চাইনিজ ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর লুও ঝাওহুই অমসুং য়ু এস স্পীসল রিপ্রজেন্টেটিভ ফোর নোর্থ কোরিয়া ষ্টেফেন বৈগন্না ফোন্দা ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টরগী অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বৈগন্না পানমুঞ্জোমদা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীটিংগী ৱাফম হৌদোরকখি অমসুং য়ু এসনা কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী ইশ্যুগী মতাংদা চাইনাগা পাউ ফাওনবা, তাথোক-তাশিন তৌনবা অমদি শিন্দোক-শিনজিন তৌনবগী থবকশিং হেনগৎহনবা পাম্মী হায়রকখি। চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা কিমগা প্যোংয়াংদা উনখিবা মতুং চয়োল অমরোম লৈরগা ট্রুম্পনা কিমগা উনখিবনি।

# ইরানগী মতাংদা খন্নবগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ভিএন্না, জুলাই ০৬ (এজেন্সি):
টেহরান্না কুমজা ২০১৫ গী মরু ওইবা পৱারশিংগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল খোঙ্গাওনখিবা মতুংদা ইরানগী মতাংদা খন্ননবা য়ু এন এটোমিক ৱাটচদোগকী লৈবাক ৩৫ গী ওইবা বোর্দ ওফ গভর্নরসকী ইমর্জেন্সি মীটিং অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কৌখ্রে হায়না এজেন্সি অদুদা লৈরিবা য়ু এস মিসন্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
বোর্দ অদুদা য়াওরিবা লৈবাক খুদিংমক্লা মীফম অমা কৌবা য়াবগা লোয়ননা মেম্বর ষ্টেটশিংনা মথংগী য়ুমশকৈশাগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা মীফম পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিকী চেরোল অমনা ফোঙদোকখ্রে।
ইরান্না ন্যুক্লিয়র দিলনা অয়াবা পীরিবা পনখৈদগী হেন্দোক্লা এনরিচ য়ুরেনিয়ম পৈশিনখ্রে হায়না চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা আই এ ঈ এনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইরানগী মতাংদা খন্ননবা মীফম পাঙথোকপগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা আই এ ঈ এগী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা পল্লদুনা য়ু এস মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ইরানিয়ন রেজিমগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা নুংনাংনিঙাই ওইবা ৱাফম য়াওবা আই এ ঈ এগী দিরেক্টর জেনরেলগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট অদু খন্ননবা ভিএন্নাদা লৈবা ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসনশিংদা থাবা য়ু এস এম্বেসেদরনা বোর্দগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা হায়জখ্রে। মীফম অদুনা চপ চানা করি করম্বা য়ানবা ৱাফমশিং পুরক্কদগে হায়বগী মতাংদদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - VIII-KAK**
**Ref :- Mutation Case No.283/AS&SO/VIII-Kak of 2019**
Shagolsem Dhaneshwori Devi W/o Chaoba Singh of Langathel Mayai Leikai. ...*Petitioner*
-Vs-
(Late) Moirangthem Ningol Shagolsem (Ongbi) Chanthoi Devi W/o Angouba Singh of Langathel -*O.PP*
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kak. the 5th July of 2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খুল নং ৪৫-লাঙথেল পাট্টা নং ২৮১ (অরিবা), ৩১৫ (অনৌবা), দাগ নং ১০১ এরিয়া .২১১০ হেক্তর চাউবা ইখ্খোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মমৌনুপীনা দংকারি ওইদুনা দংকারীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি অইবা চেনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।
***Sd/- K. Niranjan Singh***
HL-P/3341/7 Asstt. Survey & Settlement Officer-VIII, Kak.

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - VIII-KAK**
**Ref :- Mutation Case No. /AS&SO/VIII-Kak of 2019**
1. Laiphrakpam Chaobi Devi W/o Basanta Singh of Elangkhanpokpi Mamang Leikai.
2. Yumnam Tombi Devi W/o Open Singh of Langmeidong Mamang Leikai. ...*Petitioners*
-Vs-
1. Yumnam Shamu Singh S/o (L) Gopal Singh of Elangkhanpokpi
2. (Late) Thounaojam Ningol Mema Devi D/o (L) Angou Singh of -do- -*O.PP*
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kak. the 5th July of 2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৭৩ এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ২৭৩ (অরিবা), ৫৫৫ (অনৌবা), দাগ নং ২১৩০ এরিয়া .৫০ একর চাউবা ইখ্খোল অসিদা কো-পাট্টাদার নং (২) ওইনা নামা পান্দুনা লৈরিবী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম শরুক অসি দংকারী ওইরিবী অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১৩/৭/২০১৯ ইং ফাওবগী মনুংদা আপতি তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।
***Sd/- K. Niranjan Singh***
HL-P/3341/7 Asstt. Survey & Settlement Officer-VIII, Kak.

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE : SOCIAL WELFARE DEPARTMENT**
**NOTIFICATION**
Imphal, the 5th July, 2019
**No. 10/120/11-SW(DDRS)Pt-I/376 :** With reference to Ministry's letter No. 22-23 (23)/2019-DD-II/V dated 12th June, 2019, applications are invited from the intending registered voluntary organizations who desire financial support in the form of Grant-in-aid for the year 2019-20 under Deendayal Disabled Rehabilitation Scheme (DDRS), Ministry of Social Justice and Empowerment, Department of Empowerment of Persons with Disabilities (Divyangjan), Govt. of India.
The applications should be submitted through the online e-Anudan portal **www.ngograntsje.gov.in** on or before **31st July, 2019** and the applications submitted after this date shall not be entertained.
**Sd/- Ng. Uttam Singh**
HL-P/5536/7 Director, Social Welfare, Manipur

**Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences**
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No.9366085482/ 9366045467 email: pddulas@gmail.com
Ref No PDDUIAS/Advt./15-2016/6
**ADVERTISEMENT**
Utlou, the 6th July, 2019
The institute will recruit the following Teaching Post as per Higher Secondary Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institure.
**Pay Scale** - Rs. 9,300 - 38,400/- with Rs 5,400 grade pay.
(For Regular, Rs. 8,000/- per month for contract/Part time.

| Sl. No. | Discipline | Position |
| --- | --- | --- |
| 1. | Lecturer in Physics, Chemistry, Zoology | 2 each |

**Note :** *1. Application form can be had from the undersigned by paying Rs. 1000/-*
*2. Date of commencement of form : 08/07/2019*
*3. Last date of form submission : 25/07/2019*
*4. Interview will be held on : 29th July, ownwards.*
*5. Short listed candidates will only be called for interview.*
**Sd/-**
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay
Institute of Agricultural Sciences.
HL-P/3343/7

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**
**CIRCULAR**
Imphal, the 6th July, 2019
No. BVSc/TRG/2019-Vety.: The result for the selection of candidates for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2019-20 has been declared and the details of which can be seen from the Notice Board of the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong and Departmental website www.vetymanipur.nic.in. Further, the selected candidates are hereby informed to attend the counselling on 12th July, 2019 at 10.30 A.M. at the Office Chamber of the Director, Vety. & A.H Services, Manipur, Sanjenthong, Imphal with original copies of certificates, age proof certificate, mark sheets, NEET (UG)- 2019 Score card, other relevant documents **(with 2 Xerox copies each)** and 2(two) recent passport size photographs along with their parent/guardian. In case of failure to appear on the Stipulated date and time, it will be presumed that they are not interested to undergo the said training course and the vacant seats will be allotted to the wait list candidates.
Further, the wait list candidates are also informed to report on 12th July, 2019 at 10.30 A.M. at the Office Chamber of the Director, Vety. & A.H Services, Manipur, Sanjenthong, Imphal with original copies of certificates, age proof certificate, mark sheets, NEET (UG)- 2019 Score card, other relevant documents **(with 2 Xerox copies each)** and 2(two) recent passport size photographs along with their parent/guardian for counselling for selection of candidates to undergo the said course under NEC quota and other available seats if any. In case of failure to appear on the stipulated date and time, it will be presumed that they are not interested to undergo the said course.
**Sd/- H. Chaoba Singh**
HL-P/3345/7 Director, Vety. & A.H. Services, Manipur